**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-04-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২১-০৪-২০২৫, নিংথৌকাবা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর ডা. তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়রি-চহী অসিগী জনুৱারিদগী হৌজিক ফাওবদা চুফম থোকপা নোংজ্গী চাং য়ামা ৱাৎনা লৈরি।

২) রাজ্য পুলিসনা লূপা লাখ ৫ পীনবা দাবীদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা নুপী অহুম য়াওনা মাওই মরি কনবা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি সাউদি অরাবিয়াগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা হয়েং লৈবা অদুগী লল্লোন ইতিক্কী সহর জেদাদা চৎকনি।

**শাবা(এল)ঃ** ইম্ফাল য়াওনা মণিপুর মফম খরদা ঙরাং পারপা নোং চুখি। নোং মরাং কাইনা চুদবদগী ইম্ফাল ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ইমাই কা-হেন্না হন্থখিবদগী পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টগী মখাদা লৈবা ৱাতর সপ্লাই স্কিমশিংদা মতম চানা মীয়ামদা ঈশিং পীবা ঙল্লক্তবগী ফীভম মায়োকবা হৌরে।

রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তোর ডা. তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাঙদা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়- চহী অসিগী জনুৱারিদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা চুফম থোকপা নোংজ্গী চাং য়ামা ৱাৎনা লৈরি।

এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা ৱেদর রিপোর্টতা হায়- ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা নোং চুবগী চাং মিলিমিতর ০.৬ ওইখি, কাংপোকপীদনা ০.৮, নোনেদনা ০.৪ অমসুং সেনাপতিদা ১.৬ ওইখি।

অমরোমদা, নোনেদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩.০৬ য়ৌখি। ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং অমসুং কাংপোকপীদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১গী মথক্তা শাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরদা সেলসিয়স দিগ্রি ২৯ অমসুং সেনাপতিদা সেলসিয়স দিগ্রি ২৬ কী মথক্তা শাখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মণিপুরগী জিলা খরদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাও য়াওনা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়নননা নোং চুরবা য়াই। জিলাশিং অদুদি-তামেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাঙ্গোই এরিয়াদগী ঙরাং রাজ্য পুলিসনা কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফাখি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৯ দা লাঙ্গোল লাই মন্নাইদা লৈবা য়ুম অমদা লূপা লাখ ৫ পীনবা দাবী তৌদুনা অরানবা মওংদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা নুপী অহুম য়াওনা মীওই মরি মণিপুর পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে। মীওই মরি অদু আমর ওফ মণিপুর(এ.এম.ও) কৌবা লুপ অমগী মীওইশিংনা নুপী চেনবগা মরি লৈনবা থৌদোক অমগী মতাংদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বনি হায়রি। রাজ্য পুলিসনা গারি হুরানবা অমসুং লাকপশিংগী মায়োক্তা চথুবা অখন্নবা দ্রাইভতা তোঙান তোঙানবা মখলগী গারি পুন্না ১৩ সু ফাগৎলে হায়রি। হৌখিবা পুং ২৪ দা নেসনেল হায়ৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ৩৪০ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

**আর্মি(এল)ঃ** প্রভু যিশু খৃষ্টপু ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎলবা তুংদা অমুক হিংগৎলকখিবা নুমিৎ ইষ্টর সন্দেগী পালন থৌরম ঙরাং ভারত লান্মীনসু শিন্দুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা পাঙথোকখি। মখান, পি.মোলদিং, চিংমাং অমসুং নিউ কেনন খুলনচিংবদা মফম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা ইষ্টর সন্দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদুদা খুঞ্জাশিংদা অথুম অহাও য়েন্থোকপা অমসুং প্রভু যিশু খৃষ্টবু থাগৎপা ঈশৈ শক্তুনা মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। থৌরম অসি ভারত লান্মীনা মীয়ামগা পুন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী ঙমখৈ খুঙ্গং নিউ সমতাল অমসুং সেলোন খূলদা থা অসিগী ১৯ দা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মশা মউ ফনা লৈহন্নবগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। পুন্না খুঞ্জা ২২০ হেনবনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**সাউদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি সাউদি অরাবিয়াগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা হয়েং লৈবা অদুগী লল্লোন ইতিক্কী সহর জেদাদা চৎকনি। হৌখিবা চহী ৪০ অসিগী মনুংদা ভারতকী লূচিংবা অমনা জেদাদা চৎপা শা মেদিনা অহানবা ওইরগনি। শ্রী মোদিগী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা শেল থুম, ঙাকশেল অমসুং কলা সংস্কৃতিগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা লৈবাক লুচিংবশিংগা ৱারি শান্নরগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা ভারতকী রাস্ত্রদূট সুহেল অজাজ খাননা হায়-শ্রী মোদিগী জেদা খোঙচৎ অসি ঐতিহাসিক ওইবা খোঙচৎ অমা ওইননবা মপুং ফানা শেম শারে।

**জম্মুঃ** জম্মু কাশ্মিরগী রম্বান জিলাদা নোং কন্না চুবা অমসুং চীং নিংখাইবদগী মীওই অহুম শিরে। চীং নিংখাইবা অসিনা মরম ওইদুনা জম্মু শ্রীনাগর নেসনেল হায়ৱে অমসুং কাশ্মির তম্পাক্তা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা ফাওনবা লম্বীশিং থিংজিনখিবদগী ওথোরিতিশিংনা লম্বী ফাওননবা কন্না হোৎনরি। অদুম ওইনমক নোং চিংগী ফীভম ফত্তবা, লেন তাবা অমদি মচি মচিদা ঈচাও থোকপদগী লম্বী হাংদোকবা পায়খৎলিবা থবকশিংদা অপনবা কয়া থোক্লি। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-নোং কন্না চুবদগী তোঙান তোঙানবা মফম ১২ হেনবদা চীং নিংখাইদুনা নেসনেল হায়ৱে অদু থিংজিনখিবনি। এস.দি.আর.এফ লান্মী অমসুং লোকেল এন.জি.ওশিংনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চঙ্খরি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা জম্মু কাশ্মির, লদাখ, গিলগিট, বালতিস্তান অমসুং মুজাফরবাদতা মখা তানা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুখিগনি হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চৎন-কাংলোনগী ৱাংমদা ফুমজিল্লন্বা জেনিমসকী বাইওমেদিকেল ৱেস্তশিং কোৎথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা ইচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিগী সব হেদলাইন ওইনা খুদোংচাদবা লৈবদগী তৌখিবনি, কাংলোন চুমা লোইশিনবা হৌরে: দাইরেক্তর(জেনিমস)।

নেসনেল ফায়র সর্ভিস ৱিক লোইশিনখ্রে হায়দুনা পোকফমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংদা- মীয়ামা খূৎশু খূৎলাই থাদোক্লবদি মণিপুরদা তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লক্কনি: অসাম রাইফলসকী চিফ।

খোঙজোম নুমিৎ থৌরমগী শেম শাবা লোইশিল্লক্লে, রিহরসেল পাঙথোকখ্রে- হায়না হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুরগী আই.এ.এস ওফিসর অনি ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুনবা খল্লক্লে- হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- নুমিৎ নিপাননিদা ফায়র এলর্ট ৩৭ লৈখি, তমেংলোংদা উমং মৈ চাকপা য়াই(ফায়র এলর্ট) খ্বাইদগী ৱাংনা রিপোর্ট পিরকখি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- দিল্লিদা লৈখিদ্রবী খাঙেন্বম প্রিয়ালক্সমিগী জে.এ.সিনা গভর্ণর অমদি চিফ সেক্রেটরিদা মীশি অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিনখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

তামেংলোংদা ইষ্টর সন্দেগী পালন তৌখ্রে- হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- তামেংলোংগী প্রজাদা ঈশিং ফংহল্লিবা গদাই ৱাতর রিজর্ভ্ৱগী ঈশিং কংশিল্লক্লে হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

তামেংলোং জিলাগী চর্চশিংদা ইষ্টর সন্দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে- হায়বা পাউ অমা তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মোর্নিং বেলদা- গভর্ণরনা ষ্টেট ওর্কিটদেরিয়ম চত্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**